# নুপাগীদা রোশন অমদি নুপীগীদনা প্রেমিলানা ফর্স্ত পোজিসন তাখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৬ (ঐচএনএস): এথলেটিক এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী লমজিং মখাদা য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ) মণিপুরনা শীন্দুনা পাঙথোকপা ১৩শুবা মেগা মরাথন মণিপুর ২০১৯গী নুপামচাগী কাঙলূপ্তা ৩শুবা অসাম রেজিমেন্টকী কে ঐচ রোসননা ১:৬:৩২ সেকেন্দদা লমথুংফম য়ৌদুনা অহানবা পোজিসন, ৩শুবা অসাম রেজিমেন্টকী ৱাই ইনাওনা ১:৬:৩৮ সেকেন্দদা লমথুংফম য়ৌদুনা অনীশুবা পোজিসন অদুগা খুন্দ্রাকপমদগী রোমাজিৎনা ১:৬:৪৮ সেকেন্দদা লমথুংফম য়ৌদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাবা ঙমখি।

নুপীমচাগী কাঙলূপ্তা য়াইরিপোক্তগী এস প্রেমিলানা ১:২১:৮ সেকেন্দদা লমথুংফম য়ৌদুনা অহানবা পোজিসন, সাইদগী ঐচ ভুমেশ্বরিনা ১:২২:৫৮ সেকেন্দদা লমথুংফম য়ৌদুনা অনীশুবা পোজিসন অদুগা মোইরাংদগী টি ঐচ ববিনানা ১:২৪:১৭ সেকেন্দদা লমথুংফম য়ৌদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাবা ঙমখি।

নুপীমচাগী ৪শুবা পোজিসন্দগী ১৫ শুবা পোজিসন ফাওবা তাখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি য়াইরিপোক্তগী এম কে মিনারাশি, ককচীংদগী কে এস ঐচ রোমিকা, য়াইরিপোক্তগী মিসেস অজিমা, লিলোংদগী সয়েদ অনিতা, কোন্থা খাবমদগী এন সুনিতা, খুরাইদগী সভাবাতি, প্রোঙ্গিনলোংদগী থাইমৈ দাইমৈ, অৱাং ঙৈরাংবমদগী এন সোমোতা, য়ুরেম্বমদগী টি ঐচ রাধেস্মা, অচানবীগৈদগী তানিয়া, সমুরৌদগী অনিশা, নাওরেমথোংদগী সী ঐচ মর্জুনানি। নুপামচাগীদনা কে বিক্রম, কে ঐচ হেরোজিৎ, নিংথৌজম বিজেশ, বেঞ্জামিন, সাপম রোমেশ, সহিদুর রহমন, এম দি দদিক, কে ঐচ মঞ্জা, এম হেরোজিৎ, এন তোকিও, রানমৈ, এম দি হিবজুর রহমন, এম দি অবদুল রাজক, রোশন কুমার অমদি হরাম ৱংনি।

১৩শুবা মেগা মরাথন অসিগী অহানবা, অনীশুবা অমদি অহুমশুবা তাখ্রবা নুপা অমদি নুপী শান্নরোয়শিংদা শেলগী মনা লুপা লিশীং ৪০, লিশীং ৩০, লিশীং ২০ অমদি সার্টিফিকেট মমেন্টো খুৎশিন্নখি। লোয়ননা নুপা অমসুং নুপীগী ৪দগী ১৫শুবা পোজিসন তাখ্রবা শান্নরোয়শিংদা শেলগী মনা লুপা লিশীং ৯ অমদি সার্টিফিকেট খুৎশিন্নখি।

থৌরম অসিদা সোসল ৱেলফেয়রগী দিরেক্টর ঙাঙোম উত্তম, য়ু পি এফকী প্রসিদেন্ট ৱারেপম সেকেন্দ অমদি এথলেটিক এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট লৈশাংথেম অজিৎনা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

১৩শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৯-২০

# য়ু কে বিনা ৱাই পি ঐচ য়ুবু অমসুং নেরোকানা এস য়ুবু মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৬ (ঐচএনএস): খুমুকচম জয়কিশন সিংহনা স্পোন্সর তৌদুনা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)না শীন্দুনা খুমন লম্পাক আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথরিবা '১৩শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৯-২০'গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা য়ু কে বি অমসুং নেরোকা এফ সী মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা য়ু কে বি অমসুং ৱাই পি ঐচ য়ু লম্বা তৌনখি। অহানবা হাফ হৌরকপদা টিম অনীমক্না মাংজিল থানা লম্বা তৌনরকখি। টিম অনীমক্না একাউন্ট হাংবা ঙম্না এটেক কয়া চত্থখি। টিম অনীমক্কী এটেকশিং অদুদা পাঞ্জল ওন্থোকপা য়াবা খুদোংচাবা কয়া য়াওরবসু ওন্থোকপা ঙমদনা লৈখি। অহানবা হাফ ফাওবদা টিম অনীমক্না একাউন্ট হাংবা ঙমদনা লৈখি।



অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপদা য়ু কে বিনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরকখি। য়ু কে বিগী মায়কৈদগী চত্থরকখিবা এটেক অমদা শান্নবগী ৬৮শুবা মিনটতা মাংখোলেন জর্সি নম্বর ২২না পাঞ্জল অমা চনখি। মদুগী মখা তারকপদা শান্নবগী ৭৮শুবা মিনটতা টিম অদুগী অতোপ্পা শান্নরোয় পাওলেনলান জর্সি নম্বর ১৫না পাঞ্জল অমগা অমুক হাপচিন্দুনা ২-০দা ৱাই পি ঐচ য়ুবু মাংজিল থাখি। য়ু পি ঐচ য়ুগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্নবা চত্থরকখিবা এটেক অমদা ইঞ্জুরি টাইমগী অহানবা মিনটতা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখি। অদুবু অপীবা মতম লোইশিনবা ফাওবদা মখা তানা টিম অনীমক্না অহেনবা পাঞ্জল চনবা ঙমদনা মেচ অসি য়ু কে বিনা ৱাই পি ঐচ য়ুবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা নেরোকা এফ সী অমসুং এস য়ু লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী শান্নবা হৌরকপা ৬শুবা মিনটতা নেরোকা এফ সীগী সুসিল জর্সি নম্বর ৭না ঙন্না পাঞ্জল চন্দুনা মাংজিল থাখি। মখা তাবা অহানবা হাফকী মিনটতা এস য়ুগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনবা ঙমদনা নেরোকা এফ সীনা এস য়ুবু পাঞ্জল ১-০দা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকখি। এস য়ুগী এটেক অমদা শান্নবগী ৫৮শুবা মিনটতা মিলন জর্সি নম্বর ১৮না ইক্বেলাইজর চনবা ঙমখি। মখা তানা শান্নবগী ৭০শুবা মিনটতা নেরোকা এফ সীগী রোসন জর্সি নম্বর ৬না পাঞ্জল অমা চন্দুনা মখোয়না এস য়ুবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখি।

হয়েংগী মেচতা এ আই এম অমসুং নিসা নুমিৎয়ংবা পুং ১২.১৫ তাবা মতমদা লম্বা তৌনরগনি।

৮শুবা টি-২০ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট

# চেম্প অমসুং এল সী সী সী কাখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৬ (ঐচএনএস): মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা টিম ৯না শরুক য়াদুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা '৮শুবা টি-২০ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২০'গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা চেম্প খাগেম্পলি অমসুং এল সী সী সী লিলোং চজিং মায় পাকখ্রে।

অহানবা গ্রাউন্দদা ৱাই পি ঐচ য়ু লালাম্বুং লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী টোস ৱাই পি ঐচ য়ুনা ঙমদুনা বেট্টিং তৌরকপদা ওভর ২০দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ৮২ লৌবা ঙমখি। ৱাই পি ঐচ য়ুগী মায়কৈদগী ইবুংঙোবী রন ৩১, জঘজিৎনা রন ১৬, সঞ্জয়না রন ১৫ অমদি বোইনাওনা রন ১২ লৌখিবা পানবা য়াই।

ৱাই পি ঐচ য়ুনা থন্নকখিবা রন ৮৩গী টার্গেটতা এল সী সী সীনা বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ৬তা রন ৮৪ লৌদুনা ৱাই পি ঐচ য়ুবু ৱিকেট ১০দা মায়থীবা পীবা ঙমখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা চেম্প খাগেম্পলি অমসুং নাপসা খা-ইম্ফাল লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী টোস চেম্পনা ঙমদুনা বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ২০দা ৱিকেট ৩ তুরগা রন ১৮৮ লৌখি। চেম্পকী মায়কৈদগী জোদিবনা রন ১১৭, কিপজেনা রন ৫৭ লৌখিবা শীংথাবা য়াই। মদুগী পাউখুমদা নাপসানা বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ২০দা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ১৩৪ খক লৌবা ঙমখিবদগী চেম্পনা রন ৫৪দা মায়থীবা পীখি।

# পেনাল্টি কিক অমা মাঙজখিবদগী ট্রাও এফ সী পোইন্ট ৩ ফংলম্বা য়াবা চেন্নাই সিটিগা শান্নবা মেচ দ্রো চংখ্রে






ইম্ফাল/লুধিয়ানা, ফেব্রুৱারী ১৬ (এজেন্সী): হিরো ইন্দিয়ন লীগকী ঙসি মণিপুরগী খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচ অমদা য়ুম্থু টিদিম রোদ এথলেটিক য়ুনিয়ন (ট্রাও) এফ সীনা পেনাল্টি অমা পাঞ্জল ওইহৌদবদগী পোইন্ট ৩ ফংলম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা মাংজদুনা চেন্নাই সিটি এফ সীগা পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চংখ্রে। লীগ অসিগী অতোপ্পা মেচ অমদা মিনরভা পঞ্জাবনা য়ুম্থু ওইরগা লুধিয়ানা সিটিদা লৈবা গুরুনানক ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা রিয়েল কাশ্মিরবু মখোয়না ১-০দা থোইরগা পোইন্ট ৩ ফংখ্রে।

ঙসি খুমন লম্পাক্কী মেন ষ্টেদিয়মদা ফ্লদ লাইটকী মতেংনা শান্নখিবা ট্রাও এফ সীনা য়ুম্থু ওইবা মেচ অদুদা চেন্নাই সিটিগা লম্বা তৌনখি। লীগ অসিদা ট্রাও এফ সী হৌখিবা মেচ অনী থংনা থংননা মায়থীবা নংখ্রবা মতুং ঙসিগী মেচ অদু মায় পাক্তবা য়াদবা মেচ অমা ওইখিবনি। অমরোমদা চেন্নাই সিটি এফ সীসু টিম ১১না শান্নরিবা লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা হান্না ফঙখিবা পোইন্ট অদুদগী হেনগৎনবা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখি।

শান্নবগী ১৪শুবা মিনটতা খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা ট্রাও এফ সীগী মায়কৈদগী চত্থখিবা এটেক অমদা পেনাল্টি কিক অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু টিম অদুগী শান্নরোয় ও মিকানা কাওখিবদা চেন্নাই সিটিগী গোল কিপ্পরনা চোংখিবা মায়কৈ অদুবু মায়থীবা পীবা ঙমখ্রবসু মহাক্কী কিক অদু পোষ্টতা পান্দুনা থক্তোকখিবদগী পাঞ্জল ওইরম্বা য়াবা অচৌবা তাঞ্জা অমা মাংজখি।

অহানবা হাফ লোইশিনবা ফাওবা পাঞ্জল লৈনখিদ্রবা মতুং অনীশুবা হাফতা চেন্নাই সিটিগী টিমনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরকখিবা অদু ট্রাওগী গোল কিপ্পরনা তাক্কক অনীদা য়াম্না ফজবা সেব তৌদুনা পাঞ্জল চলহনখিদে। মেচ লোইরমদাইদা ট্রাওগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ওইবা য়াবা খুদোংচাবা অমসু মাঙজখিবদগী মেচ অদু পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চংখি।

লুধিয়ানাগী মেচতা রিয়েল কাশ্মির অমসুং মিনরভা পঞ্জাব লম্বা তৌনরকপদা মেচকী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী অহানবা হাফ লোইরমদাই ৪৪শুবা মিনটতা পঞ্জাবকী সি লোবোনা পীরকপা বোল অমদা এসর দিপন্দনা পাঞ্জল ওন্থোক্লগা মেচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু ওইরগা মায় পাকখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Mohun Bagan | 12 | 9 | 2 | 1 | 27 | 11 | +16 | 29 |
| 2 | Punjab | 13 | 5 | 6 | 2 | 17 | 14 | +3 | 21 |
| 3 | Gokulam Kerala | 11 | 5 | 2 | 4 | 14 | 13 | +1 | 17 |
| 4 | TRAU | 13 | 4 | 4 | 5 | 12 | 20 | −8 | 16 |
| 5 | Churchill Brothers | 10 | 5 | 1 | 4 | 18 | 13 | +5 | 16 |
| 6 | Real Kashmir | 10 | 4 | 3 | 3 | 11 | 9 | +2 | 15 |
| 7 | Chennai City | 12 | 4 | 3 | 5 | 14 | 17 | −3 | 15 |
| 8 | Aizawl | 12 | 3 | 5 | 4 | 12 | 17 | −1 | 14 |
| 9 | East Bengal | 11 | 3 | 3 | 5 | 12 | 12 | 0 | 12 |
| 10 | NEROCA | 13 | 3 | 3 | 7 | 18 | 27 | −9 | 12 |
| 11 | Indian Arrows | 11 | 2 | 2 | 7 | 5 | 12 | −7 | 8 |

অহানবা হৈস্নাম নিলকমল (মোবি) মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০

# আই পি এম এস সীনা ওল এফ সীবু মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে




ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৬ (ঐচএনএস): দি এস ইন্টরপ্রাইসিসনা স্পোন্সর তৌদুনা য়ুথ ইন্টিগ্রেসন ক্লব (ৱাই আই সী) কৈশামথোং মনিং লোংজম লৈকাইনা শীন্দুনা পাঙথোকপা অহানবা হৈস্নাম নিলকমল (মোবি) মেমোরিএল অন্দর ৪০ কে জি ৪ এ-সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা আই পি এম এস সী ইরোম পুখ্রি মপালনা ওল এফ সী উরিপোক সোরবোল থিঙেলবু মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেচতা আই পি এম এস সী অমসুং ওল এফ সী লম্বা তৌনখি। টিম অনীমক্না চেম্পিয়ন ওইনবা অকনবা এটেক কয়া চত্থনরকখি। অহানবা হাফকী ১৫শুবা মিনটতা আই পি এম এস সীগী কেনেদি জর্সি নম্বর ১১না পাঞ্জল অমা চন্দুনা একাউন্ট হাংবা ঙমখি। ওল এফ সীগী মায়কৈদগী অহানবা হাফতা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকখি, শান্নবগী ৩৪শুবা মিনটতা আই পি এম এস সীগী এটেক অমদা খেলচন্দ্র জর্সি নম্বর ৪না টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চন্দুনা ২-০দা মাংজিল থাখি। মেচকী মখা চত্থরকপদা ওল এফ সীগী মায়কৈদগী চত্থরকপা এটেক অমদা শান্নবগী ৫০শুবা মিনটতা নাওলুন জর্সি নম্বর ৮না পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখি। অদুবু মখা তানা অপীবা মতমগী মনুংদা অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা টিম অনীনা পান্নমখিবা অহেনবা পাঞ্জলশিং অদু লৈখিদবদগী মেচ অদু আই পি এম এস সীনা ওল এফ সীবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লোইশিনবগী থৌরমদা ৱাই আই সীগী প্রসিদেন্ট এম মোহেন্দ্রো, রিটয়দ দিপ্যুতি দিরেক্টর এগ্রিকলচর এ ইবোতোম্বী, সি এ য়ুগী হান্নগী দিন এল জয়কুমার, এদিস্নেল এস পি রোমি ময়েংবম, দি এস ইন্টরপ্রাইসিসগী চেয়রমেন ঐচ হেরোজিৎনা থৌরম অদুগী প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন আই পি এম এস সীদা শেলগী মনা ওইনা লুপা ৩০,০০০ অমসুং ট্রোফি, ফর্স্ত রন্নর্সঅপতা শেলগী মনা ওইনা লুপা ২০,০০০ অমসুং ট্রোফি অমদি সকেন্দ রন্নর্সঅপতনা শেল ওইনা লুপা ১০,০০০ অমসুং ট্রোফি খুৎশিন্নখি। অদুগা টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট প্লেয়রনা আই পি এম এস সীগী ঙোঙো জর্সি নম্বর ১০না তাখি। টোপ স্কোররদনা ওল এফ সীগী রোহে অমদি ৱাই আই সীগী মার্তিননা ফংখি।



HL-B/6002/15/2-18/4



HL-P/6152/8-22feb



HL-B/6019/4 feb-5march

/EMPLOYMENT NEWS

- মশাগী চহি ২৫ দগী ৩৫ ফাওবদা লৈবা MBA/Post Graduate + 3 yrs exp. লৈরবা মীওই ২ (অনি) Dy. Manager ওইনা পামজৈ।
- মশাগী চহি ২২ দগী ২৮ ফাওবদা লৈবা Graduate Passed তৌরবা অমসুং Unmarried ওইবা মীওইশিংগী ওইনা Kakching, Thoubal, Moirang, Sekmai, Nambol, Samurou অমসুং Imphal Branch Keishamthong গা খ্বায়দগী নক্লনা লৈবা Office Assistant ওইনিংবা মীওই অনি-অনি পামজৈ।
- 2 Wheeler Mechanic + 5 yrs exp. লৈরবা মীওই ১ (অমা) অমসুং Mechanic কী Helper ২ (অনি) পামজৈ।
- মশাগী চহি ১৮ দগী ২২ ফাওবদা লৈবা Car Wash Centre অমসুং Tyre Workshop কি Helper অনি-অনি পামজৈ।
- Car Driver ২ (অনি), Iron Welding Mistry ২ (অনি), Grade-IV ২ (অনি), Brick Mistry অমসুং Brick Jugali অনি-অনি পামজৈ।

Please Contact:- L.G. Motors
Khagemppali Huidrom Leikai, Imphal West
# 8731978490 / 9774495994

HL/B/5934/11

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com